# রবিন্দ্রনাথ অমদি অরীকপগী অরোইবা পূন্সি মীকুপ

চহী চান্মা হেনখ্রে, জর্মন ফিলোজোফর 'ফেদরিক নিয়টসে' না হায়রম্বদো... 'হৌজিক্তি ঈশ্বর শিখ্রে, ঐখোয় মীওইবনা হাৎখ্রে... মীওইবা ফূরুপ নীংতম্না হিংবা ঙম্লনি... অদুবু ঐখোয় করম্না নীংতমগনি - শিখ্রবা মাগী মমিদুদি তারি মফম খুদিং মায়কৈ তরা শীন-থুংনা'।

গোদ ইজ দেদ! ঈশ্বর শিখ্রে হায়বা ৱাহৈ অসি মীওইবা অয়াম্বনদি খোয়শাউনবা ৱাহৈনি। ফিলোজোফিগী মহৈরোয় নত্রবসু, ঐনা মহৈরোয় ওইরিঙৈ ইতৎ তত্তনা থেংনখিবা, কোকসিবু তোয়না চীকহনখিবা অতেনবা ৱাহৈ পরেং অমনি। থৌওইনা খনখিদ্রবা ৱাখলসি ঙসি অমুক নীংশিংলকই রবিন্দ্রনাথ ঠাকুর (টেগোর) গী মরমদা ৱারেং অমা পারুবদা। বেঙ্গোলি কৌবা মীওই কাঙলূপ অদুদা পোক্লুবা, মরাইবক ফবা নুপা অমনি 'রবিন্দ্রনাথ' ! মীতৈ ফুরুপ্তা পোক্লম্মু - কাঙখ থাঙ তাদুনা মাঙলম্মি। মমিং চৎপা, অফাওবা অমা থোক্লকপদা ময়াম চঙদুনা ইনখৎপা ফূরুপ্তুনি 'বেঙ্গোলি'। অমনা মচীন তুমখৎলকপদা ময়াম চঙদুনা মখোঙ পায়দুনা চিংথবা, ৱাইখুগী মতৌ লৌবা ফূরুপ' তুনা মীতৈনি। সিখশিংগী মরক্তা মী'থোয়বা অমা ওইখিবা 'খুস্বন্ত সিংহ' না রবিন্দ্রনাথ'পু... 'থোইদোক হেন্দোকপা অইবা নত্তে, ময়ায় ওইরপ ফবা (এভরেজ) কাঙলূপকী অইবনি'... হায়না কম্মেন্ট অমা পীরুঙৈদা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা - কুইখিদ্রিবা থৌদোক্লি।

রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী পূন্সিগী অরোইবা পুংফম, হেদো নাহে চন্দুনা তৌরাঙ ফক'তা ওল্ল'কান, ফমুংদা য়াতারিবা কবিদুগী মনাক্তা ফল্লিবা, মহাক্কী চান্নবা মরুপ'তুনা, পূন্সি' বিদায় পীদৌরবা মতাও'দা য়েংদুনা হায়রকখি ... 'মরুপ! নঙদি মহৈ য়াল্লবা মপোক্লি, মী ওইনা পোকপগী নঙনা তৌরমদবা করি লৈরিগে? লন-থুম-মিংচৎ-মনা, ফংনীংঙাই করি ৱাৎলিগে? ঈংনা, চীক্লা, পেন্দবা হায়বদু লৈতনা তাইবঙপাল অসি থাদোক্তুনা চৎখরো...মথংগী মপোক অমদা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা মপোক অমা ফংলুগনি শোয়দনা... নঙদি মপোক ফবনি, মপূনা পীবা তাইবঙ শিন্থা নঙনা পাঙলমদবা লৈতরে...'।

উইশিল্লুবা মীৎস্না থন্বাল পাঙথোক্তুনা পাউখুল্লকই... 'অদুম্না হায়গনু ইতাও! ঐ হৌজিক্তা ঈশ্বরগা ৱারী শারল্লিবনি... ঐনা শকচগে খঞ্জবা মাগী ঈশৈ অদুদি হৌজিক ফাওবা লেং'ঙমদ্রি, ঐনা হায়গে খঞ্জবা ৱাহৈ ময়াম অদুসু ঙসি ফাওবা হায়রুদ্রি... শকফম থোকপা পূন্সি ঈশৈদু শক্লনবা যন্ত্র অদু শেম্নবা হোৎনবখক্তদা পূন্সিসিদি লোইরম্লে...'।

রবিন্দ্রনাথ'না খনখি - ঈশ্বরবু মশক খঙনবা হোৎনদুনা মাগী মতিক মগুণ শৈথাবা হৌগে হোৎনরকপদা পূন্সিগী অরোইবা মীকূপ লাকপদুনা হাল্লক্লে। তশেংবমক্তি মহাক্লা লাইশোন ঈশৈ লিশীং তরুক্কী মথক্তা ইখি। অদুমক্তদা খল্লকখি - ঈশ্বরগী অশেংবা মতিক ময়াই অদুদি মহাক্লা শৈথাবদা ৱাৎলম্লে।

রবিন্দ্রনাথকী ৱারীসি নত্তবা অতোপ্পা ৱারী অমত্তংগা লীজগে। চাংদম্নদুনা য়েংবীয়ু। ইনাক খুনবা, মরল লৈবা, অরিকপা নুপা অমগী ৱারীনি। থোন্নীংবা মমিং থোনবীয়ু। ৱাৎপা লৈত্র' মরলদু ৱাৎলি হায়নতা খন্দুনা, সনা-লুপা-মণি-মুক্তা-শেল ... পৈশিল্লি'মখৈ পেনবা নাইখিদে। খনখি - পৈশিল্লিবা মরলদু নুংঙাইবা পূন্সি অমগীনি। খঙহৌদে, পূন্সি চেংজেল লোইরক্লে। অশি' লৈবাক্কী নিংথৌরেল, মশামক লাক্তুনা মাগী থোঙজিন'দা থুংলরে। অকিবা, পাখৎপনা থূমহৎখরে অরিকপা। মাগী মরল মথুম ময়ামদু অমত্তসু শীজিন্নহৌদে। করম্না হুন্দোক্লমগনি? নোংমা নীনিতা ওইর'সু শিবই নুমিৎ থিন্থহনবা য়ারোইদ্রা? হায়জরক্লে নিংথৌদা 'হে থৌজাল হৈরবা, নুমিৎ নীনি নিজরোই, শুপ্নগী পুংজা কুনমরি, নোংমগী নুমিৎ অমত্তং হিংহনবীখো ঐহাকপু, পূন্সিগী নুংঙাইবা মীকুপ অমত্তং থিজরুগে অমুক্তং ... সে! লুপা ক্রোর অমনি, শুপ্নগী পুং কুনমরীগী মমল'!

অশিব'না হায়রকই, 'শিবা হায়বসে মন্তিক্লবা য়াবা নত্তেনে ইতাও! চৎলসি লাকও'।

পাখৎলবা অরিকপা কুচু তাইফেৎ তাইরক্লে... 'অমশিনা পেন্দ্রসু মরি...মঙা... লৈজবা পূম্বা লৌবীরো, পুং কুনমরিখক্তংগা হিংহনবীখো ঐহাকপু...' লাউনা, খোংনা, কপ্লদুনা হায়জবা নূঙদা ঈশিং চাইবগুল্লে - থম্মোয় পান্দ্রবা অশি' নিংথৌগী মমাঙদা।

মমল য়াল্লবা মীকূপ কয়া, তাঙলবা মরলদু তান্দুনা পৈশিন্নবা হোৎনবদা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ নুংঙাইবা মীকূপ তুংওইনরকখি। লৈকোন্দা লৈগী ফজবা নোংমতসু য়েংলুদে, নোংঙাল্লমদাই নুমিৎকী ফজবা নোংমতসু উরক্তে, তগুপ-তগুপ থোক্লিবা থৱান্মীচাক্লা নোংমদা ৱারী শাখিদে, অহাংবদা পাইরিবা চেক্লাদা নোংমতসু নুংশি পাউজেল থাখিদে, অশংবা লম্ফাংদা হীপ্লগা অঙৌবা লৈচিল মপৈদুগা মীৎচানরুদে। লেপ্তুনা চৎখিবা, হল্লকপা নাইদ্রবা মীকূপশিংদু নোংমতা হন্না য়েংলুদে। 'ইরল হান্না পূন্সি কোন্না' - খনখিবনি মহাক্লা। অদুবু পূন্সিদুদি কদায়?

'ৱাখল ফুম্বংনগনু, কান্নরোই। মতম লোইরে চৎলসি'।

'নোংমতা নত্তে, শুপ্নগী মীকুপ খরতংদি শাংদোকহনবীয়ু ইনিংথৌ... নীজরিবা মতমসে ইশাগী নত্তে, ঐগী তুংদা লাক্কদৌরিবা মখোয় ময়ামদুগীদমক্লি ... মখোয়দা অমুক্তা হায়রমখিগে তুংলমচৎকী নুংঙাইবা মীকূপ অদুগীদমক ঙসিবু অরেম্বদা মাঙহনগনু ... পূন্সি হায়বদু হৌজিক হায়বা মীকুপসিনি...'। অদুবু অৱাবনি ৱাহৈশিংদু তুংগী মীরোলদা পাউজেল্লমদনা পুদুনা চৎখি 'অরিকপা' অশিবগী নিংথৌনা অশি' লমদম অদুদা।

ৱারী অনীসিনা তাক্লল্লিবা ঈশ্বর, পূন্সি অমদি অশিবগী মশক শক্লাকপীবা ঙম্বীব্রা? ঈশ্বর মশক খঙনবা চৎপীরুনু লাইশঙদা। থিবীয়ু ইশাদা অমদি তিন্নবা মরুপ মপাং, ইচিল-ইনাও মরক্তা। লাল্লি খঙনা ইশানা অরানবা তৌরম্বা, ঈশ্বরদা নমথাক তৌবনি। মীগী মাঙনবা তৌরুবা, ঈশ্বরগী মাঙনবা তৌবনি। মীগী মপোৎ হুরাল্লুবা, ঈশ্বরগী মপোৎ হুরানবনি। মীগী (নুপীগী) ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা, ঈশ্বরগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবনি। মীনা মীবু হাৎলুবা, ঈশ্বর মাবু হাৎপনি। অদুননি, পাউদমসিগী অহানবা ৱাহৈ- গোদ ইজ দেদ! ঈশ্বরদি শিখ্রে। মমিদুনি ইথক্তা তাদুনা লৈহৌরিবা।

*-ইন্দ্রকুমার*

# লীথোকহৌদ্রবা ৱারী, খৌপুম আর্ট কেম্প ২০১৯ - (১)

অহল-লমননা লীবা ৱারীদা তোংজৈ মরীলদা শামু লিৎহল্লু হায়না মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিদা মনাই অচানবা ফাগিরোই ওইনাম বিজান্দোনা হায়খিবগী ৱারীদো নীংশিংলি ঙসিসু। ৱারীদি অসিনি - বিজান্দোনা সনা কোনুং কারকপদা থেংলকপগী মরম হংবদা অসুম্না খুমখি "ননাই ঐনা কোনুংদা ঙন্না কারকপা ঙমজখিদবসি ননাইগী ইচাদুনা নীংঙাই তৌমন্দনা থেংজখিবনি, ননাইবু ঙাকপীয়ু"। পাউখুম অদু তাবদা ইনিংথৌনা পেন্দ্রদনা মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়রকপদা ওইনাম বিজান্দোনা খুমখিবা মতাংনি। তশেংনা তোংজৈ মরীল হায়বসি ময়াম্না ওল্ড কছার রোদ হায়রিবা বিষ্ণুপুরগী খৌপুম ফাওরগা কছার ফাওবা চৎপা লম্বীদুনি, লম্বী অসি মণিপুরগা অসামগা শম্নবা অহানবা লম্বীনি। মতম অমদা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক পীকপা, শামু ফাওবা চৎপা চন্দবা লম্বী ওইরম্মী। লম্বী অসিগা শাগোন্নবা অফাওবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা হায়বা তারবদি লম্বী অসিদনি ইনিংথৌ মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিনা কুমজা ১৮৭৪গী ওগষ্ট ১৪দা কছার লৈবাক্তা লৈবা জিল্লা হায়না খঙনবা, বাদরপুরদা মতমদুগী ইন্দিয়াগী Viceroy Lord Northbrook কা বরাক্কী ঈয়ায়দা অচৌবা হী অমগী মথক্তা উনদুনা দরবার অমা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী ফগৎনবা উনখি। অদুবুনি ঐখোয়না জিল্লা দরবার হায়না খঙনরিবা।

মহারাজনা জিল্লা দরবার চৎপদা অৱাবা খাঙনবা মতমদুগী পেনাগী শৈশকপা চনম্বম বাবুনা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী কয়া তাবদা নুংঙাইরবা খোম্থোক্লা লোয়ননা শামু তোংদুনা লেঙলিবা মহারাজদা তাহন্দুনা থৌগল তৌরম্মী। অদুবু বিষ্ণুপুর য়ৌরকপদদি শক্লিংঙাই ঈশৈ লৈরত্তুবদা মখা শমথদুনা খম্বা-থোইবী ৱারীগী তাঙ্কক কয়াবু তাবদা নুংঙাইগদবা মওংদা লেংশিন্দুনা মখা তানা পেনাগী ঈশৈ শকথবদা, ইনিংথৌ চন্দ্রকির্ত্তিনা পেনমনখিদনা জিল্লা দরবারদগী হল্লক্লগা চনম্বম বাবুবু কংলা কোনুংদা কৌখৎতুনা খম্বা-থোইবীগী ৱারীবু থা অমা পেনাগী ঈশৈ শকহনখি হায়বগী ৱারী লৈ।

অসিদসু নত্তে, জিল্লা দরবার লেঙবদা য়াওখিবা মেজর মাইবম তাম্রানা সিলচরদগী কংলা ফাও কিলোমিটর ৩৩২ লমজেল চেল্লত্তুনা ইনিংথৌগী মরু ওইবা থবক অমা হঙ্গৎ-হন্দা



খৌপুম দাম

চেনখিবগী ৱারীসু লৈরি। অসিদসু নত্তে, চহী তরেৎ খুন্তাকপা (১৮১৯-১৮২৬) গী মতমদসু লম্বী অসিদনি ঐখোয়না খুন্তাক্তুনা কছার লৈবাক তান্না চেনখিবা, বৃটিশকী মতেং ফংদুনা চঙলকপসু তোংজৈ মরীল অসিদনি। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী ৱারীদসু চিতাগোংদা বৃটিশকা মণিপুরগা মরুপ-মপাং ওইনবা অমসুং মতেং-ইতেং পীনবগী য়ান চে অমা কুমজা ১৭৬২দা ইনখ্রবা মতুং কুমজা ১৭৬৩দা বৃটিশ লান্মী কয়া অশুকপা জঙ্গলগী লম্বী নীংথিনা লৈতবদগী মণিপুর য়ৌশিনবা ঙমদবগী ৱারী লৈ, অসিদসু নত্তনা বর্ম্মাগী Alaungpaya না মণিপুরদা লান্দারকপদা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা তমেংলোংদা লান চেল্লি, অদুননি চীংথং খোম্বসু কৌনরিবা মমৈথংদা অহোম কোনুং (শিবসাগর) দা চেনখিবা, অসিদসু নত্তে এঙলো মণিপুরী ৱারদা বৃটিশ লান্মীনা সিলচর কলমদগী মণিপুরগা লাম্থেংননবা চঙলকপদুসু তোংজৈ মরীল অসিদনি।

বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট Mr. Frank Grimwood অমসুং মাগী লোয়নবী St. Clair Grimwood না মণিপুরদা লাকখিবসু তোংজৈ মরীলদনি। Mrs Grimwood না মপুরোইবা Mr. Grimwood পু পুখ্রম্বম কাজাওনা তানা লেংদুনা হাৎখিবা নুমিৎতুগী নুমিদাংদা রেসিদেন্সিদগী চেম্থোরত্তুনা নম্বুল তুরেল লাম্থোক্লগা বিষ্ণুপুরদগী কছার লৈবাক য়ৌনবা অমম্বা অহিংদুদা তোংজৈ মরীল অসি ফাওরগা চেনখিবা, ৱাখলনা অমুক্তং শাগৎলগা য়েংসি। Mrs Grimwood কী মথৌনা মরিংজেল। অদুননি লন্দন য়ৌরকান্দা মহাকপু Royal Red Cross award পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা। তোংজৈ মরীলগী ৱারীদি লীবদা লোইবা নাইরোই।

ঐনা মহৈরোয় ওইরিঙৈ কোলেজ তম্বা মতমনি পাবুং থোঙাম হরিদাসনা তোংজৈ মরীলদা চৎলগা লৈবা খৌপুমদা দাম অমা শাই হায়বদি খঙখ্রে। মরমদি দাম অদু শাবা লোইরবা তুংদা দামদুগী মনাক্তা খিনগদবা মীতম, লৌমীনা লাঙ্গোন পুবগী দিজাইন অমা ঐগী অপোকপনা তৌখি। অদুবু মীতম অদু অমুক ফাওবা য়েংবা ফংখিদে। মরমদি খৌপুম চৎপগী ৱারীসি কনামত্তা হৌদোক্লদে। খৌপুম চৎপা অরুবা খোঙচৎ ওইনা, অৱাবগী ৱারী ওইনা তৌনরম্মী। অদুদগী অমুক নহারোলগী ঈরাং কল্লকপদগী, চীংগী নহারোল, তমগী নহারোল কয়াগীসু তাংজফম ওইনরম্মী। মরমদি তোংজৈ মরীলগী ফীভম ওম্থোক্লা ফত্তবনা সিক্যুরিটি ফোর্সনসু কয়া তোয়না য়ৌশিনবা মফম ওইরমদে। খৌপুম দাম অসি কুমজা ১৯৭৯দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর য়ঙমাসো সৈজানা শঙ্গাখি।

ঐগী অপোকপনা দিজাইন তৌদুনা শাখিবা মীতম অদু য়েংনীংবদি অদুম ফাওখি। নহারোলগী ঈরাং খরা পাথরক্লবা মতমদদি থবক ইনখাং চত্তবা য়াদবা, মরুপ মপাং কয়ানা খৌপুম য়ৌনরুরগা লীবা ৱারীদা খৌপুম অসি অমুক্তা চৎপা ফংলবদিকো খন্দুনা অদুম লৈ। ঐনা চৎনীংলিবা খৌপুম করম্বা মতমদা চৎপা ফংগদগে হায়না মতম লৈবা খিবিক্তা অদুম খল্লি। ঐগী ষ্টুদিওদা থবক শূবা মতমদসু ঐ এ আই আর ইম্ফালগী নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক পুং ১১.৩০দা লাকপা শুমাং লীলাগী প্রোগ্রাম তাদবা য়াওদে। লোইনা নুংঙাই অদুবু 'ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী লীলা 'য়েনিংথা অমগী ৱারী' অদুগী লীলাদু ওম্থোক্লা নুংঙাইজখ্রে। মরমদি তাবদা খৌপুমবু মীৎতা উহল্লি।

**-আর কে বুধিমন্ত কর্টা**


# লমদম অসিগী কলচর অমসুং ত্রেদিসনবু নুংশিনা শৈথারিবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক 'পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা' দা মীৎয়েং অমা

মুতুম রমণী কুমজা ১৯৬১গী জুলাই ১৪দা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা মুতুম মাঘো অমসুং কোন্থৌজম নিঙোল মুতুম ওংবী দসুমতি অনীগী মচা মঙাগী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবী মচানুপীনি। এম এ এল এল বি লোইশিল্লবা মতুংদা প্রাইভেট কোলেজ অমদা ওজা ওইরম্মী। উকিলগী শিনফমসু পায়রম্মী। কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম হোনিগা য়ূম্বাল পূন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা মচা অনীগী অপোকপী ওইবা ফংজখি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরম্লবা মতুংদা হৌজিক্লা থবক্তগী পোত্থারে। লোইনশিল্লোনগী লূপ 'লৈকোল' গী পেত্রোন মেম্বরনি। প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিএসন অমদি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরনি। 'লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিরোল' মনা কৎতুনা খোরিরোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কেদা হৌজিক ফাওবদা মশাগী লাইরিক পূন্না তরেৎ খুদোল তম্বা ঙমখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা অইবীগী শৈরেংগী লাইরিকশিংদি - "লৈচিলগী ইন্নফি" হায়রিবা শৈরেংগী লাইরিক অসিদা ঈপাক লিটরেরি এৱার্দ ২০২০ অমদি প্রিয়সখি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২১ ফংখ্রে। "ইঙাগী নোংজু" দা পব্লিক লাইব্রেরি পোইত্রি এৱার্দ ময়াং ইম্ফাল অমসুং "করম্না থেমগনি" হায়বা লাইরিক্তুনা হাওবম সনাজাওবা লোইনশিল্লোন নীংশিং মনা ২০২২ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক্কী ৱারীমচাগী লাইরিক "মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ" দা প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিএসননা ২০২০-২১গী "কুমদম মনা" পীখি অমসুং মণিপুর শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়াগী 'সিনাম তনুবাবু মেমোরিএল ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২০২২ ফংখিবা লৈরে। অইবীগী ঈশৈ ময়েক্তা শৈপালনা "ডা. ময়েংবম কমলা সৈরোল মনা ২০২২" পীদুনা ইকায়খুম্নখি। "পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা" হায়রিবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিনা অইবীগী তরেৎশুবা লাইরিকনি।

মণিপুরী খুন্নাইদা হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ৱাফম অমদি ইশাগী শক্তম কমদৌনা ঙাক শেন্দুনা লৈগনি হায়বসিনি। হৌজিক আইদেন্টিটিগী ওইবা চাউরবা ইস্যুশিং মায়োক্নবা হৌরক্লি। মসিবু কূপ্না নৈনহৌদ্রগদি চহী খরগী তুংদা অদুগা মীরোল খরা লৈরগদি ইশাগী য়ূম ইঙ্খোলদা লৈবা ফংদবগী ফীভম অমদা লাকপা য়ারক্লি। হৌজিক-হৌজিক ফোং-ফোং শানা থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাং অসিনা লেঙদ্রবা খুদম হায়বদুসু ওইরক্লি। মসিদা ঙসিগী মীরোলনা তূমিন্না লৈবগী মতমদি নৎত্রে। ইপু ইবেন্না, পলেম-পন্থৌনা নুংশিনা শারম্বা থায়নগী মীতৈ য়ূমজাও কয়া ঙসিদি অরিবা ফোটোগ্রাফতা খরা উবা অদুগা ম্যুজিয়মশিংদা অদুক থেংনবা নত্তনা হিংদুনা লৈবগী মমিদি তপ্লা-তপ্লা মাঙশিল্লক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীতৈ য়ূমজাও হায়বসি ঐখোয়গী কলচরগী হৌরকফমনি। কলচর অমসুং ত্রেদিসনগী সিম্বোল অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। থায়নদি অহল-লমননা, মপু মবেন মাংশোক ফমেন ফমদুনা মচা-মশুশিংবু নীংথিজনা ৱারক-ৱাতেম তৌনরম্মী। থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎনরম্মী। চৎনবীবু নুংশিনা কিনা লুনা খন্নরম্মী অদুগা ঙাক্লা হিংনরম্মী। খুন্নাইবু থাক ৱাংনা খন্দুনা অহল-লমন মশক খঙনা লৈরম্মী। অরৈ-লৈত তান্নরম্মী অদুগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন চেল্লম্মী। ঙসিনা মসিগী ওন্ন-তৈনবনি লাক্লিবা খুন্নাইগী ঈচেলসি। ঙসি হৌরক্লিবা নহারোল অয়াম্বনা মপূ-মবেন্না চৎলম্বা লীক্লমদগী নাথৈরগা ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসননা পীবা লাইরিক্কী মঙাল অদুনা চাওখৎপনি হায়না থাজবনা হেনখিদুনা হৌরকফম কাউথোকপগী ফীভম অমদা লাকপসু য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক অসিনা মপূংদা অকায়বা কয়াসু পীদবা নত্তে। হৌখ্রবা মতম্থু নীংশিংদুনা নুংশিনা হেক হেক চৎনীংলকপা মতাং পূন্সিদা থেংনদবা নত্তে। নোংদম্বনা তমখ্রবা তাইবঙ মপোকসিদা নুংশিবনা পূম্নমক চেৎলবা লংলা ওইদুনা পূনশিল্লি, পূন্সিদা থোকখিবা থৌদোকশিংবু অমত্তা চিখ্নদনা। অসিগুম্বা লংলা অদুনা য়োমশিন্দুনা থল্লিবা অদুঙৈগী মীতৈ খুন্নাইগী পূন্সি মহিং শৈথাবা ঈশৈ শৈরেং অমনি **'পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা'** অইবীনা য়াম্না নোষ্টালজিক ওইনা অসুম্না ইরক্লি, "পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা/মাঙ্গোল নাকথ মতাইগী/পলেম ইমানা শাখিবা/ফিশা তেমথেং মখোলদো/তাখিদরে কুইরেদা।/নুমিদাংৱাইরমগী ঈশৈগুম/তরেং শিন্নাই মখোলদো/পলেমগী নাওশুমগা পূনশিন্না/য়ূমজাওনা মুন্থরকখিবা/তাখিদরে কুইরেদা।/নুজাগী ফৌশু




লাইরিক্কী মমিং :-
পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা (২০২৩)
অইবা :- মুতুম রমণী
অফোঙবা :- মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- ঈশৈ শৈরেং
লমায় মশীং :- ২০৮
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ২৫০/-
লাইরিক্কী মখুম :-
তোংব্রম অমরজিৎ




ঈশৈদা/তাংথক নাইবা শুরদা/মতারোইগা ফৌশু লঙনবা/শাইনা নোম-নোম তান্থাবা/তাখিদরে কুইরেদা।" (লা: ৩৩) নুংশিবনা পীক থল্লবা ঈশৈনি। মিৎমাংদা শং-শংনা উহল্লি ফজরবা মতম অদুগী নুংশিরবা য়ূম্বাল-কৈবাল পূন্সি মহিং। তকসি শোল্লি উবা ফংখিদ্রবা শক্তম অদো।

মীওইবনা মহৌশাগী লৈরিবা পোৎশকশিংদগী তমজনীংঙাই ওইবা কয়া অমা লৈরি। মসিবু অশৈবশিংনা সিম্বোল ওইনা তোয়না শীজিন্নরি। অদুগুম্বা সিম্বোলদুনি অইবীনা লৈরাং লৈবাকলৈবু শৈথাদুনা ইরক্লিবা। অখাং কনবী মীতৈ নুপীবু শৈথারকপদা শীজিন্নবা লৈরাং অমনি। লৈরাং অসিবু নুংশিনা শৈথারক্লি অসুম্না **'লৈশাৎ তমহৌরো লৈরাং লৈনুংশি'** 'লৈশাৎ তমহৌরো লৈরাং লৈনুংশি/কালেন মৈশাবু তরাম্না ওল্লিবী/অকনবা লৈমায়বু থোৎলবা লৈনানা/থিনগায়দুনা লৈশাৎ তল্লিবী লৈরাং লৈবাক্লে।/মৈশা পুরবা মালংগী চৈথেংদা/মতমগী কল্লবা নোংলৈগী শহুমদা/মোং-হাদনা লৈশাৎ তল্লিবী/...তাইবঙগী তমজফম ওইরিবী লৈরাং-ও।" (লা: ৭৯)

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা য়াইফরবা নুমিৎনা লাকপদা চনু-নিঙোলশিংনা মোমোন নোকচবা, পূক্লিং মকা লাম্না, লৈজবা শেৎতুনা মপাম লমদমদা অরৈবা হৈরাং-লৈরাং পুদুনা পলেম-পন্থৌ মশাইকোলদা চৎচবা; মবুং-মৌপ্বাশিংনা মচে-মচলশিংগীদমক্তা অঙম্বা খুদোল তমজদুনা য়াইফ-নুংঙাই থৌজাল নীজবা অসিগুম্বা ফজখ্রবা চৎনবী অসিবু শৈথাদবা ঙমদে অইবী রমণীনা। অদুনা নুংশিবা শৈরোলদা নিঙোল চাক্লৌববু অসুম্না শৈথারক্লি ঈশৈ শৈরেং **'লাক্লে-লাক্লে নিঙোল চাক্লৌবা'** হায়বসিদা। "লাক্লে-লাক্লে নিঙোল চাক্লৌবা/...মেরা থাওমৈনা মুনা য়েংলক্লে/ইপাম লমদমগী ইঙ্খোল চুথেক্তা/সনারৈ লৈরাংনা লাক্লো কৌরক্লে/নুংশিবী পলেমগী খোঞ্জেলসু তারক্লে।/চানবী ইতা লাপ্নখ্রবী নঙসু/পন্থৌ মাঙ্গোলগী নাকথ মচিদা/কৌনা ফক্কী ফিদা মথক্তা/ঙসিদি উনররে নুংশি-নুংশিনা।' (লা: ৯৫)

মালেমদা মণিপুর কৌবা চীংলৈবাক্কী পূক্লিং হুনা নীংথিজরবা লমদম অসিবু শক্তাক্লিবসি লমদম অসিগী কলচরননি। কলচর হায়বসিদা পূম্নমক পূনশিল্লে। মসিদা য়াওরি ঐখোয়গী চৎনবী থাজনবী পূন্সি মহিং, চাকচা-য়ুথক, খুনাইলোন, লোল ইয়েক পূম্নমক। লমদম অসিদা পোক্লুবা মীতৈ চনুদি লাইবক চাউবীনি হায়রক্লি অইবীনা। অদুবু মতমগী কল্লবা নোংলৈগুল্লবা চাওখৎপগী শাহুমদা হুমদুনদি পুহন্নীংদে। ইশাগী ইপানাৎ-ইপুনাৎ, চৎন-লোনচৎ, ফিজেৎ-লৈতেং পূম্নমক্তা মীতৈগী শক্তম ঙাক্লা হিংনবা পাউজেল পুবা ঈশৈ শৈরেংনি **'মৈতৈ চনু লাইবক চাওবী'** অদুনা অইবীনা শৈরোল অসিদা ইরক্লি অসুম্না, "মৈতৈ চনু লাইবক চাওবী/মতমগী লমজেলদা য়াওহৌরসি/কন্দুনা ইশাগী চৎন-লোনচৎ/শক্লসি মহৌশাবু শৈথাবা ঈশৈ।/ঙাক্লদুনা ইরোলগী ফজবা ৱাঙাঙ/শেৎলদুনা ইয়োংগী ফজরবা ফিজোল/খূৎতা পায়দুনা মচু তরেৎকী ফিরাল/শক্লসি কংলৈপাক্কী তুংওইনখ্রবা ঈশৈ।/অশানবা মিৎয়েং য়েংলসি চান্নবী/তান্নদুনা লমজেল ইৱাংমগী চনুরাশিংগা/হুন্দোক্তুনা অখুবা মিৎয়েং অহিংসিগী/অনৌবা অয়ূক্কী মঙালবু য়েংহৌরসি।" (লা: ১০২)

অইবীনা লমদম অসিগী চনুরাশিংবু থৌনা হাপনীংলি। পজেং ফিরাল থেৎহন্নীংই। মালেমসিদা লৈরিবা অতোপ্পা ফূরুপকী চনুরাশিংগা অথোই-অহেন তান্নরকপদা মীকোক থোংহন্নীংই। ঙসি অমম্বা অহিংগুম্না লৈরিবা লমদম অসিদা মীতৈ চনু নিঙোলশিংনা অয়ূক্কী মেঙলবা কোরৌগুম্না মঙাল পীহন্নীংই। ঈশৈ শৈরেংসিমক য়াকাইরোলনি লৌদবা ঙমদে। মহৌশা মাগী খোঙচৎতি কায়বা খক লৈতে। তাইবঙগী কা হেন্না করাম্বা মতৌনা ঙসিদি অওনবা অহোংবা কয়ানা পীক থল্লে। মীতৈ খুন্নাইদা শজিবু চৈরাওবা পাঙথোক্লরি কুমওন খুদিং। অসিগুম্বা কুম অনৌবা অমা হৌবগী নুংঙাইরবা কোরৌ নুমিৎ অসিদা শৈথারক্লি, **'শজিবুগী লৈরাং কোম্বীরৈ'** শজিবুগী লৈরাং কোম্বীরৈ/শিঙেল লৈরিগী মতারোই/লৈরাং কুশুমগী চান্নবী/শাৎহৌরো লৈকা ফন্না...য়ারল পাৎতা ওংখিবী/নপাম লমদম কাউখিনু/লম্ফেল পাৎতসু শাৎলখো...' (লা: ১০০) য়াম্না নুংশিবা ঈশৈনি। লম্ফেল পাৎতি ঙসি মীওইবগী করাম চাউবা থৌওংনা মমিংতা ঙাইরে। পাৎ অমা ওইবগী শক্তম উখিদরে। অদুনা অইবীনা লৈরাং কোম্বীরৈবু অমুক্তং লাকখো নপাম লমদমদা অদুগা মহৌশাগুম্না লৈশাৎ তম্লখো কৌজরি।

ঈশৈ শৈরেং পূন্না ১০৪ য়াওরিবা অসিদা পূন্সিবু পাম্মুনা শৈথাবা, নুংশি-নুংওনগী খায়না মৈরিনা চাকহৌরবী কনাগী থম্মোয় মপাউ, লাইশোল ঈশৈ, কায়নবা থুংনবা, ইতর্নেল লোংইং, লেপ্পাইদবা পূন্সি খোঙচৎকী পাউখোং, পূন্সিগী ফিলোসোফি অসিগুম্বা তোঙান-তোঙানবা থিমদা ইবা ঈশৈ কয়া য়াওরি। সুর পান্দুনা শৈশকপা অহৈবনা ঈশৈ শক্লবদি ঙাওদবা ঙম্লোইদবা ঈশৈ শৈরেং কয়া য়াওরি। অসিমদি হায়নীংই, অইবী মতুম রমণী ঈশৈ ময়েক ইবদা মায় পাক্লবী অইবীনি, লাইরিক অসিনা লেঙদ্রবা খুদমনি। মতুং তারকপদসু ঈশৈ শৈরেং অদুম্মক খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

*- তোংব্রম অমরজিৎ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **"গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) **"মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **"এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা
নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী
খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি
মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।"** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"মল্লবা খাঙপোকশঙ"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবসি কনানো?

৫) **"নুপী অমসুং মমিশিং"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।